৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

কে পি এফ সিনা জি এস সিবু পাঞ্জল ২-১দা, লমজাওনা কে আই ৱাই সিবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে পি এফ সি বিষ্ণুপুর অমদি এফ সি লমজাও মায় পাকখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা সি এস সি চুরাচন্দপুর অমসুং কে পি এফ সি বিষ্ণুপুর লম্বা তৌনখি। মেচ হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নখি। টিম অনীমক্না পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মওংদা এটেক কয়া চথনরকপদা শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা কে পি এফ সি বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ১৬ এস কাফোইনা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং মিনট ২ লৈরগা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় এস প্রেমচান্দ জর্সি নম্বর ৯না অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

মায়োক্লবা টিম জি এস সি চুরাচান্দপুরগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইখিবা ফাওবদা এটেক কয়া চথুবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা মখোয়বু কে পি এফ সিনা ০-২দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা জি এস সিগী মায়কৈদগী লেপ্তুনা এটেক চথরকখি। টিম অসিগী মায়কৈদগী গোল চন্নবা হোৎনরকপদা শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নারোয় এন জি বিদেনপার জর্সি নম্বর ২০না পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু লেমহৌরিবা অপীবা মতমদা টিম অনীমক্না অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদবদগী মেচ অসি কে পি এফ সি বিষ্ণুপুরনা জি এস সি চুরাচান্দপুরবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা এফ সি লমজাও অমসুং কে আই ৱাই সি লম্বা তৌখি। মে অসি টিম অনীমক অপীবা মতমদা স্কোর ১-১দা দ্রো চৎখি। এফ সি লমজাওগী স্কোর অমা অদু এল কিসন সিংহ জর্সি নম্বর ৯না চনখি। কে আই ৱাই সিগী স্কোর অমা অদু এন জি জেনিস সিংহ জর্সি নম্বর ৯না চনখি। মেচ অসি টিম অনীমক স্কোর মান্ননা লৈখিবনা পেনাল্টি কাউনবা তাখি।

পেনাল্টি কাওনবদা এফ সি লমজাওনা স্কোর ৪ চনখি অমদুগা কে আই ৱাই সি টিমনা স্কোর ৩ চনখি। এফ সি লমজাওগী স্কোরশিং অদু এল কিসন সিংহ জর্সি নম্বর ৯, এল বোরিস সিংহ জর্সি নম্বর ৪, এম সোমোকান্ত জর্সি নম্বর ৬, এম নোংদম্বা জর্সি নম্বর ১০, প্লেয়রশিং অসিনা চনখি। কে আই ৱাই সিগী স্কোর অদু মুসা খান জর্সি নম্বর ১৫, কে ঐচ জোহেন জর্সি নম্বর ৯, এম চুংমৈ জর্সি নম্বর ১৯না চনখি। মেচ অসি এফ সি লমজাওনা কে আই ৱাই সিবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীখি।

১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

এল সি সি সিনা ৱাই দল্লীয়ু সিবু ৱিকেট ১দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এল সি সি সি লিলোং চজিংনা ৱাই দল্লী সি লংথবালবু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসি অম্পয়র রাসি অমসুং জুগেন অনীনা কন্দক্ত তৌখি। মেচ অসি ৱাই দল্লীয়ু সি লংথবালনা টেস ঙমদুনা বেট্টিং খনখি। অহানবা ইনিংসতা ৱাই দল্লীয়ু সি লংথবালনা অপীবা ওভর ৩০দা ওভর ২৭.১ পাইয়দু ৱিকেট ১০ শিদুনা রন ১২৩ লৌবা ঙমখি। ৱাই দল্লীয়ু সি লংথবালগী স্কোরশিং অদু গোজেন্দ্রোনা বোল ৪১ মায়োক্লবদা রন ১৯, প্রিয়াকুমারনা বোল ১৮ মায়োক্লবদা রন ১৫, কুমারজিৎনা বোল ২০ মায়োক্লবদা রন ১৩ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইনিংসতা বোলিং তৌখিবা এল সি সি সি লংথবালগী মায়কৈদগী জিলানা ওভর ৪.১ লংবদা ৱিকেট ৩ হাৎখি, জিতেননা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ১ হাৎখি, রাকেসনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ হাৎখি।

অনীশুবা ইনিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এল সি সি সি লিলোং চজিংনা ৱাই দল্লীয়ু সি লংথবালনা অহানবা ইনিংসতা লৌখিবা রন ১১৩ অদু ওভর ২৯দা ৱিকেট ৯ শিরগা স্কোর ১১৪ লৌদুনা থোইবা ঙমখি। এল সি সি সি লিলোং চজিংগী স্কোরশিং অদু সঞ্জিৎনা বোল ৫৩দা রন ২৭, কৃষ্ণনা বোল ২২দা রন ২৪, গুলসননা বোল ৩১দা রন ১৬ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইনিংসতা বোলিং তৌখিবা ৱাই দল্লীয়ু সি লংথবালগী মায়কৈদগী মনাওবীনা ওভর ৬তা ৱিকেট ২, রাজেসনা ওভর ৪দা ৱিকেট ১, প্রিয়োকুমারনা ওভর ৬তা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচ এল সি সি সি লিলোং চজিংগী প্লেয়র জিলানা ৱিকেট ৩ রন ১১ লৌদুনা তাখি।

১৩শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা গোল্ড লৌরকখ্রবী খুসবুরানি ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): নেপালগী কাথমন্দুদা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস ২০১৯দা ফেন্সিং মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবী লাইশ্রম খুসবুরানি ওকপগী থৌরম অমদা চজিং য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনন শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

লাইশ্রম খুসবুরানি লৈখিদ্রবা লাইশ্রম বেদজিৎ অমসুং লাইশ্রম ওংবী নীতা দেবী অনীগী মচানুপীনি। মহাক লিলোং পুখ্রি অচৌবা মপালদগীনি।

ঙসি ওকপগী থৌরমদা নিংথৌজম ইবোহল সিংহ, হাওরোংবম ইবোহল সিংহ, নিংথৌজম মনিতোম্বা, তোইজম ইবোমচা সিংহ অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট লেবেল স্পোর্টস মীৎ ২০১৯ লোয়শিনখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): নহা ওইবশিংবু স্পোর্ট, কলচর অমদি স্পোর্টসমেনসিপকী ৱাখল্লোন ফাগৎহন্নবগী পান্দমদা নেহরু য়ুবা কেন্দ্র থৌবালনা দি এল সী ৱাই সী অথোকপমগা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা থৌবাল অথোকপম মখা লৈকায়দা লৈবা হৈক্রেং মখোঙ লম্পাক্তা চথুরকখিবা 'দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ইন্টর য়ুথ ক্লব স্পোর্টস মীৎ ২০১৯' ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী ফুটবোল ফাইনেল মেচতা অরামবে এফ সীনা দি এল সী ৱাই সী অথোকপমবু গোল ১-০দা থোয়খ্রে। অমদি নুপীমচাগী থৌরি চীংবীদা এ এম পি ৱাই সীনা দি এল সী ৱাই সীবু পোইন্ট ২-০দা থোয়খ্রে।

ফুটবোল, টক ওফ ৱার, খো-খো, এথলেটিক্স, সাইকল ক্রোস কন্ট্রি রেস, চফু থুগায়বী (ইন্দিজিনস গেম)নাচিংবা আইটেমশিংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা য়ুথ ক্লব ১০না শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা স্পোর্ট মীৎ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা এন ৱাই কে থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোওর্দিনেটর মাইকেল থাংমিনলিয়ন মাতে, টি এম সী ৱার্দ নম্বর ৭গী কাউন্সেলর ৱাই প্রেমাপতি, দি এল সী ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট এল রোমেন্দ্রো অমদি টি এম সী ৱার্দ নম্বর ৫, ৬ অমদি ৭গী ৱার্দ মেম্বরশিংনা অথোয়বা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াদুনা ৱিন্নর অমদি রন্নর ওইখ্রবা ক্লবকী শান্নরোয়শিংদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

সাইনিক স্কুলগী ৪৫ শুবা এথলেটিক্স মিট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী নুমিৎ ৪ চুপ্পা চথুগদবা ৪৫রক শুবা এথলেটিক মিট ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহনা হৌদোকখ্রে।

এথলেটিক্স মিট হৌদোকপগী থৌরমদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর বিশ্বজিৎ হায়খিবদা পুন্সিদা দিসিপ্লিন য়াওদ্রবা মীওই অদু মায় পাকপা ঙম্লোই হায়খি। মহৈরোয় ওইরিঙৈগী পুন্সিদা দিসিপ্লিন অমসুং পংচুএলিটি য়াম্না মরু ওই। মহাক্না মহৈরোয়শিংবু পুন্সিদা মায় পাক্নে হায়রবদি দিসিপ্লিন লৈগদবনি হায়না পুক্নিং থৌগৎখি।

মহাক্না হায়খিবদা সাইনিক স্কুল ইম্ফাল অসি ষ্টেট অসিদা খ্বাইদগী ফবা স্কুল অমনি। স্কুল অসিগী পান্দমদি মহৈরোয়শিংবু দিফেন্স সর্ভিসতা ওফিসার অমা ওইহন্নবা লৈবনি। য়ু পি এস সিনা লৌবা এন দি এ এগজামদা প্রিলিমিনরি পাস তৌরবা ক্লাস টুয়েলব মহৈরোয় ৭পু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা হৌজিক মতমগী ওইবা লাক্লিবা মায়ওনশিংদা য়াওনবা থবক খুদিংমক কন্না হোৎনবা তঙাই ফদে। নেস্নেলিজমগী ৱাখল চেন্নবা ঐখোয় খুদিংমক হোৎনগদবনি অমদি হোৎনবা অসিনা ঐখোয়গী পান্দম অদু য়ৌগদৌরিবনি। ঙসি ঐখোয়গী মীওইশিংনা হিরম খুদিংদা মাংজিল থাবনা ঐখোয়গী ষ্টেট অসি স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি হায়না খঙনরিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা ন্যু ইন্দিয়া অমা শেম্বগী পান্দম থল্লিবনি। মদুদা মণিপুর চাওখৎতনা ন্যু ইন্দিয়া ওইবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি।

১৭শুবা টিঐচ রাধামণি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিবিজন ফুটবোল লিক টুর্নামেন্ট

এফ সী কাগালুংনা ইচেল ক্লব দিবোংবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন এ জে এস এনা শিন্দুনা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৭শুবা টিঐচ রাধামণি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিবিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এফ সী কাগালুংনা ইচেল ক্লব দিবোংবু গোল ৫-৪দা মায়থিবা পীখ্রে। হয়েংগী মেচতা এল এফ সী লুঙ্গ্রেজাংগা জে ৱাই সী জইরোলপোকপীগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচকী অহানবা হাফতা এফ সী কাগালুংগী শান্নরোয় কাপায়জাংনা ১১শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা এফ সী কাগালুংগী একাউন্ট হাংদোকখি। অমদি টিম অদুগী শান্নরোয় পাউগাইলুং অমদি জোসেপ অমোনা ২৯ অমদি ৩৭ শুবা মিনিটতা গোল অনি চন্দুনা এফ সী কাগালুংনা গোল ৩-০দা মাংজিন থাদুনা চৎখি।

ঙসি মেচ অদুগী সেকেন্দ হাফতা ইচেল ক্লব দিবোংগী শান্নরোয় সিদিপ তেল্লিনা ৪২ শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি। অদুগা টিম অদুগী শান্নরোয় নাহেমিয়া, এম দি নাসিব অমদি বি কে মারনসু ৫৪, ৬৭, ৭৩ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চন্দুনা পুন্না গোল ৪ চনবা ঙমখি।

অদুবু এফ সী কাগালুংগী শান্নরোয় কাপাইজাংনা ৫১ অমদি ৮০ শুবা মিনিটতা গোল ২ চনখি। পুন্না গোল ৫ চন্দুনা এফ সী কাগালুংনা ইচেল ক্লব দিবোংবু গোল ৫-৪দা মায়থিবা পীদুনা মেচ অদু থোয়খি।

রেফ্রিনা এফ সী কাগালুংগী শান্নরোয় সন্তোষ্টি, জোমিন্থাং অমদি অমর্জিৎবু ৫৬, ৭৬ অমদি ৭৮ শুবা মিনিটতা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়রগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

২শুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচএন এস): ৱান্টেদ বোইজনা শীন্দুনা কয়ামুদ্দিন শান্নবুংদা চথুরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস সি সোরা অমসুং এস এম দি সি সোরা পাঞ্জল অমত্তা চন্দনা দ্রো চৎখ্রে, বোদি এফ সিনা এস আই এম এফ এবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে।

ৱুসু ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচএন এস): ৱুসু এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৮ ষ্টেট টিম ওপন ট্রায়ল সেলেক্সন খুমন লম্পাক আর সি সি হোলদা অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি। ট্রায়ল সেলেক্সনদা খল্লবা শান্নরোয়শিং মণিপুর টিমদা পিরপ্রজেন্ট তৌদুনা ২৮ শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুসু চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগনি।

অহানবা পু দেমখোসৈক গাংতে বোল্লিবোল সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচএন এস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পু দেমখোসৈক গাংতেনা শীন্দুনা তুইবোং গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৯দগী চথুরক্লিবা অহানবা পু দেমখোসৈক গাংতে মেমোরিএল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱাই পি এ, ৱাই এম দি ও, এম পি এস সী, এন ৱাই ভি এ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নকিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱাই পি এনা য়ু কে এস সীবু সেট ৩-০দা, ৱাই এম দি ওনা ঐচ ৱাই দি সী সী এলবু সেট ৩-১দা, এম পি এস সীনা আর সীবু সেট ৩-০দা অদুগা এন ৱাই ভি এনা কে এল ৱাই সীবু সেট ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

১) বর্লিনগী চেকপল থুগাইখ্রবা মতুংদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি পুনশিনখি। মদুদা নোংপোক জর্মনিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয় অমদি চহী অমদা ষ্টেরিয়দ (Steriod) গ্রাম ৩,৯৫৫ চাখি হায়না খঙলকখি, মহাক কনানো?

২) ঐহাক অনীশুবা মেগা মরাথন্দা নুপাগী চহী ৫০গী গ্রুপ্তা অনীশুবা তাখি। ঐগী ইমিং হায়য়ু।

৩) ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী স্লালোম (SLALOM)গী থৌরমদা এথলেট অমদি পোজিসন অহুমগী মনুং চনবা ঙমখিদবদগী নিংবা কায়খি। মরম অদুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর অমরোমতা ঙাইরবা মফমদগী ফমথরগা লমথুংফম লোমদা মনিং ওনশিল্লগা লমথুংফম অদু লান্থোকখি। মহাক কনানো?

৪) মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, স্কুল, কোলেজতা ষ্টেটকী ওইবা শান্নবগী লুপনচিংবা অসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী নিফু (৪০) অসিদা চহীগী ওইনা ক্রোস কন্ত্রি লমজেল (Cross Country Race) পাঙথোক্তুনা মনা মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকপা অমগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

[illegible]/ ৬শুবা নাকো লোট্টরি ২০১৯ মতম খরগী ওইনা য়ৈথোকচরে

ঙসি ফাওবদা নাকো, ইম্ফালনা পাঙথোকচরকপা লোট্টরি অমদি হাওসি অমুক্তসু য়ৈথোকচরক্তবনি। অদুবু হন্দক দিসেম্বর ১৫দা পাঙথোকচগনি হায়রিবা ৬শুবা নাকো লোট্টরি ২০১৯ অসি ইরমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংজরগা মতম খরগী ওইনা য়ৈথোকচরে। মসিগীদমক মীয়াম্না নাকোবু ঙাকপীগনি। লৈবাক্কী ঈরাং অসি ফীভম খজিক্তং হেক ফগৎলকপগা অথুবা মতমদা লোট্টরি অসি য়াম্না থুনা পাঙথোকচগনি।

Sd/- R.K. Orjit Singh
Secretary, NACO

HL-P/5493/14,15

M.S.S
[illegible]
MSS BRICKFIELD
MECHANISED BRICK UNIT
Patsoi Part One, N.C. Road, Imphal West
☎ +91 7627923289, 8974869590

BRICK RATE DISCOUNT UPTO 31ST DECEMBER 2019

SL.NO.	TYPES	DISCOUNT RATE
1.	1ST CLASS	₹12.00/-
2.	2ND CLASS	₹11.50/-
3.	REJECT / JAMAT	₹10.50
4.	PETI	₹10.00/-
5.	3RD CLASS	₹6.00/-

* NB: ALSO AVAILABLE ALL SIZE OF STONE CHIPS

HL-P/5476/11-14

A Unit of RaDiant Group
RaDiant e-ride
BE DIFFERENT
BE ECO RIDER
JOIN THE GREEN MANIPUR CAMPAIGN
FESTIVE
EXCHANGE
BONANZA
TILL 31ST DEC 2019
UPTO INR 8000 OFF
Own Brand New Electric-Scooter
WHY E-Vehicle?
>No Petrol
>No Pollution
>Low Maintenance
>Low Operational Cost
>No Noise
RECYCLE
BRING YOUR OLD VEHICLE AND RIDE HOME BACK WITH AN E-SCOOTER
Kwaikethel Ningthemkol +91-7085040962 | Sekmai Koujenleima Leikai +9-6909832745
Thoubal Athokpam +91-6009402934 | Moirang Patlou Leikai +91-6009073738
HL-B/5749/17oct-16nov.

EMPLOYMENT NEWS

Sl. no	POST	QUALIFICATION	VAC	SALARY	AGE	BRANCH
1.	Deputy Manager	Graduate / Master (Computer Know)	2	Negotiable	30-45	H.Q
2	Office Assistant	Graduate (Computer Know)	2 Each	Negotiable	18-25	Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Moirang
3.	Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W)	3-7yrs Exp.	3+2	Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m	20-40	H.Q
4.	Security/GUNMAN	VIII Passed	5	Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m	18-25	H.Q
5.	Tyres Workshop Mistry	3 to 5 yrs. Exp.	8	Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m	20-35	H.Q/Branches
6.	Grade-IV	VIII Passed	3	Negotiable	18-25	H.Q
7.	Iron Soldering Mistry	3 to 5 yrs. experience	3	Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m	22-45	H.Q/Branches
8.	Brick Mistry	5 to 10 yrs. experience	3	Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m	25-45	H.Q/Branches
9	Driver (Car/Tata) Unmarried	3 to 5 yrs. experience	5	Negotiable	20-35	H.Q

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 30th Nov.,2019.

L.G.MOTORS (H.Q) ,KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING. Pleased Contact: 8787727402

HL-B/579/2nov. to 30 dec.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com